# পৱার কম্মিটিগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ : মণিপুর ষ্টেট পৱার কম্পেনি লিমিটেদনা শীন্দুনা নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনল পৱার কম্মিটিগী খন্ন-নৈনবা মীফম অমা হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোকখ্রে।

নুমীৎ নীনি চুপ্না পাঙথোক্কদবা মীফম অদু ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা সী ঈ এ রবিন্দ্র গুপ্তা, মিজোরাম ইঞ্জিনিয়ার ইন চীফ আই পাচৌ, এম সী পি দি সী এলগী দিরেক্টর আই পাসা, এম এস পি সী এলগী মেনেজিং দিরেক্টর এন শরত, সী এগী চ্যেরমেন এস দি দেবেন, সী ঈ এগী প্রদিপ লিন্দালনচিংবা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি। অৱাং নোংপোক লমদমদগী লাকখিবশিংনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটকী পায়খৎলক্কদবা পৱারগী ট্রান্সমিসনগী শম্নফমগী মতাংদা ৱাহং পাউহং কয়া পাঙথোক্তুনা খন্ন-নৈনখি। মীফম অদুদা লমায় ২৩ পানবা এজেন্দা অদুসু পুথোক্তুনা শরুক য়ারিবশিংদা খঙহনখি হায়রি।

## *নিংঙাইগী মমল*

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ : মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি, ইম্ফালনা শীন্দুনা নাওরেম লোকেশ্বরনা মীতৈ ময়েক্তা ওন্থোক্লগা ইবা ৱারীমচাগী লাইরিক *নিংঙাইগী মমল* ফোঙবগী থৌরম অমা ঙসি নুংথিল ওল্ড এসেমব্লী রোদতা লৈবা সোসাইটি অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ডা. শগোলশেম লনচেনবা মীতৈনা চীফ গেষ্ট অমসুং ডা. অথোকপম খোলচন্দ্রনা প্রসিদেন্ট ওইখি লোয়ননা ডা. মায়া নেপ্রমনা লাইরিক মশক তাকখি।

## দিষ্ট্রিক্ট লেবেল সাইন্স ইগজিবিসন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ : জোনেল এদ্যুকেসন ওফিসর, জোন থ্রীনা শীন্দুনা ৩৭ শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল সাইন্স, মেথমেটিক্স এন্দ এনভাইরোনমেন্ট ইগজিবিসন ফোর চিলদ্রেন ২০১৬ থা অসিগী ২৮ দগী ৩০ ফাওবা লল্লোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোক্কদৌরি। সাইন্স টেক্নোলোজি এন্দ মেথমেটিক্স ফোর নেসন বিল্ডিং হায়বা থীমদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইগজিবিসন অসিদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী জেদ ঈ ও জোন টুগী জুরিসদিক্সনগী মনুং চনবদা লৈবা স্কুলশিংগী ক্লাস নাইনদগী টুয়েল্ভ ফাওবা তম্লিবা মহৈরোয় ২/২ ইগজিবিসন অসিদা শরুক য়ানবা থা অসিগী ২৪ ফাওবগী মনুংদা থারকপা য়াগনি হায়রি।

## দিপোজিৎ তৌবীয়ু

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ : বিল্ডিং এন্দ অদর কনষ্ট্রক্সন ৱার্করসশিংগী রেজিষ্ট্রার তৌবগী শেনফম লুপা ৫০ অমসুং থাগী ওইবা কন্ট্রিব্যুসন লুপা ১০ অদু ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী একাউন্ট নম্বর ৩১৬৩৬৮৭৩২৫৭ তা দিপোজিৎ তৌবা য়াগনি অমসুং বেঙ্ক অসিনসু মরী লৈনবা রিসিপ পীরক্কনি। হীরম অসিগী মতাংদা রেজিষ্ট্রেসন ওফ বিল্ডিং এন্দ অদর কনষ্ট্রক্সন ৱার্করসকী রেজিষ্ট্রেসন ওফিসর নৎত্রগা দেপ্যুটি লেবর কন্মিস্নারগী ওফিসকী ইমপ্লোয়ীশিংদা পীবীগনু হায়না মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কনষ্ট্রক্সন ৱার্করস ৱেলফেয়র বোর্দকী সেক্রেটরি ঈ তোম্বনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## পূক্লিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ : বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম)না লৌবা ঐচ এস এল সী ইগজাম, ২০১৬তা খাঙবোক প্রাইভেট সেন্টরগী ওইনা মার্ক খ্বাইদগী হেন্না ফংলকখিবা মহৈরোয়শিং ওত্তুনা পূক্লিং থৌগৎপগী থৌরম অমা ঙসি খাঙবোক হায় স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা এম এল এ ওক্রম লন্ধোনি, প্রাইভেট সেন্টর অদুগী প্রসিদেন্ট ডো. এল ইবুঙোহনবী, থৌবাল জিলা পরিষদকী অধক্ষ্য কে ঐচ সুর্নালাতা অমদি খাঙবোক পার্ট-১গী প্রধান কে ঐচ রাজমোহনসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা মহৈরোয়শিংদা শেল অমদি শকখঙচে পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি।

**GAS TODAY**

**IMPHAL LPG SERVICE**
**SL. NO. 32930**
Booking Upto:14/09/2016
***Stk:306 (DBTL)***
***19kg Commercial Stk-100***

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
**SL NO. 2120**
Booking Upto:05/09/2016
Valid From: 30/08/2016
***Stk:321***
Timing: 7:00am-11:00 am.

**MANIPUR POLICE GAS**
Booking On:30/08/2016
***Stk:306***
***Only for CTC & DNSC***
Timing: 10:00am-01:00 pm.

**MISAO GAS SERVICE**
Booking upto: 16/08/2016
Valid from: 04/08/2016
***Stk:612***
Timing: 07:00am -11:00 am

**SAWOMBUNG INDANE**
Booking upto: 12/08/2016
Valid from: 02/08/2016
***Stk:306***
Timing: 07:30am -10:00 am

# বোর্দর রোদ টাক্স ফোর্সনা অথুবা মতমদা জিরি লম্বী শেম্বা লোইশিনগদবনি : ইচম

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচএনএস):

মণিপুরগী লাইফ লাইন ওইরিবা ইম্ফাল-জিরিবাম নেসনল হায়ৱে লম্বী অসিদা বোর্দর রোদ টাক্স ফোর্স (বি আর টি এফ) না শুরিবা থবক খুৎশু অসি য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা অদুম্মক মখা তানা শেমহনখিগদ্রা হায়না মণিপুর গভর্ণমেন্টতা ইনফোর্মেসন সেন্টর ফোর হিল এরিয়াজ ওফ মণিপুর (ইচম)না হংলক্লি।

খুরাই লল্লোং থোংখোঙদা লৈবা ইচমগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট এন রাজেন্দ্রনা হায়খি, জিরি লম্বী অসি শেম্বদা বি আর টি এফনা থীকা লৌরগা পার্সেন্টেজ লৌদুনা শেন্দোং হেন্না তান্ননবা হোৎনবদা লম্বী অসি শেম্বা লোইশিন্দনা লৈবনি অমসুং মখা তানা চহী কয়া লম্বী অসি অসুম্না অদুম্মক লৈরগনি। বি আর টি এফ নত্তবা অতোপ্পা কম্পেনি অমনা পায়রম্লবদি নহান্না লম্বী অসি শেম্বা লোইরগদবনি।

ট্রান্সপোর্ট এন্দ দ্রাইভরস কাউন্সীল (টি দি সী) না জিরি লম্বীদা ষ্টারিং পায়দবগী খোঙজং চঙশিনবা হৌখিবসি অচুম্বা খোঙথাংনি। খোঙজং অসিবু ইচমনা শৌগৎপগা লোয়ননা টি দি সীনা চঙশিল্লকপা মখা তাবা খোঙজংশিংদা মতেং পাংগনি। হৌখিবা কুমজা ২০০৯ গী সেপ্টেম্বর ১৫ দা লম্বী অসি ইচমগী মীহুৎশিংনা পাউমীশিংগা লোয়ননা চৎতুনা য়েংশিনখি অমসুং গোলারথোনদা লৈবা বি আর টি এফকী হেদ ওফিসতা লৈরম্বা মরী লৈনবা ওফিসরশিংগসু উনখি। মতম অদুদা ওফিসর অদুদা পাউমীশিং য়াওবা টিম অদুনা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুমদা বি আর টি এফকী ওফিসর অদুনা খুল্লকখিবা ৱাফমদা লো এন্দ ওর্দর ফৎতবা, লম্বী শেম্বদা ভিলেজরশিংনা কোওপরেসন পীদবা অমসুং খুৎশু-খুৎলায় মশীং য়ামদবনা মরম ওইদুনা লম্বী অসি শেম্বা লোইশিনবা ঙমদবনি হায়বদু কাউথোকপা য়াদে।

খোঙচৎ অদুগী মখা তাবদা ইচম অমদি কবুই মার্দরস এসোসিএসনগা লোয়ননা ন্যু কৈফুনদাইদগী হৌরগা কন্বীরোল ভিলেজ ফাওবগী খুঞ্জাশিং উনখি। খুঞ্জাশিংগা উনবা অদুদা বি আর টি এফনা নুঙ, লৈঙোই লৌবদা মখোয় ফাওবা য়াওনা মতেং পাংলিবনি। চহী ১ গী টেক্স ওইনা লুপা ৫০০০ খক পীহল্লগা মখোয়না লৌনিংবা নুঙ, লৈঙোইশিং লৌহল্লিবনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখি হায়বা ৱাফম রাজেন্দ্রোনা অমুক নৌহৌননা নীংশিংখি।

হৌজিক্লা কনানসু খঙলোই, উরোই হায়বগী মতাগুম মপী-মপা লৈতবগুম্না পংঙাঙ ঙাঙবা অসিদি ঐখোয়না য়াবা ঙল্লোই। খোঙচৎ অদুগী মতুংদা গোলারথোনদা চৎপা মতমদা চে অমখক থেংনরকখি। চেরোল অদু ইন্দিয়াগী দিফেন্দ মিনিষ্টরদা অমদি মণিপুর গভর্ণমেন্টতা বি আর টি এফনা থাখিবা ৱারোলশিং য়াওরি। চেরোল অদুদা পল্লিবদি বি আর টি এফকী লেবর ১১৪০ লৈ। থবক শুনবা স্কাভেটর ৩০ মুক লৈ হায়বা রিপোর্ট অদুনি। রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না বি আর টি এফনা মেছিনশিং অমসুং লেবরশিং থা অমগী মনুংদা পুথোক্কদবনি হায়বা ৱাফম ইচমনা থল্লমখি। অদুবু থা অমগী মতুংদা মখা তানা য়েংশিনবা চৎপদা স্কাভেটর ২০ অমসুং লেবর ২০০ মুক্কী চাংদা থবক শুরম্বা থেংনখি। মসি মণিপুর মীয়াম্না বি আর টি এফনা মীনম্বনি হায়দুনা মরী লৈনবা বি আর টি এফকী গোলারথোনদা লৈবা হেদ ওফিসতা ওফিসরশিং উনখি। মদুদা ওফিসর অদুনা সিলচরদা বেজ তৌবা গৌতম কনষ্ট্রক্সন প্রাইভেট লিমিটেদকা এ বি সী হায়বা কম্পেনি অনী অসিদা টেন্দর পীখ্রে। য়াম্না থুনা লম্বী অসি শেমগনি হায়রকখি।

কুমজা ২০১০ দা কম্পেনি অনী অসি লম্বী শেম্বা চঙলকপা মতমদা ইচমগা উনবদা বরাক্তগী সিবিলোং ফাওবগী কিলোমিটর ৭ অসি বি আর টি এফনা শুগনি হায়দুনা টেন্দর অদুদা য়াওরমদ্রে। মদুগী মথক্তা মকুদগী কাইমাই ফাওবগী লম্বী অসিসু বি আর টি এফনা শুগনি হায়রকখি। কম্পেনি অনী অসিনা থবক শুবা মফম অদুদি চাদা ৯০ গী চাংদা শুবা লোইরে হায়না ইচমনা লাউথোকপা লৈখ্রে।

হৌজিক শেমদবদগী চখোক-চৎশিন্দা খুদোংচাদ্রিবা লম্বী অসি য়াওনা কম্পেনি অনী অসিনা থবক শুরম্লবদি নহান্না লম্বী অসি শেম্বা লোইখ্রগনি। মতমদুগী মণিপুরগী গভর্ণর অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সতসু চে থাদুনা হীরম অসিগী মতাংদা খঙহনখ্রবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

অতোপ্পা ষ্টেটতা বি আর টি এফনা শুরিবা থবক অসিদি ফজনা শুবা উরি। মতৌ অদুগুম্না বি আর টি এফতা লম্বী অসি শেম্বা লোইশিন্নবা চে থারগনি হায়না রাজেন্দ্রোনা ফোঙদোকখি।

হৌজিক মণিপুরগী মীয়াম্না পেন্নদ্রিবসি ঈরাং অমদি ঈহৌ লাক্ত্রিবমখৈ মণিপুর গভর্ণমেন্টনা তাদবা, য়েংশিন্দবগী চৎনবী অমা লৈরি। অদুবু হৌজিক্তি ঈহৌ লাক্লবনিনা, লম্বীসু চৎপা য়াদ্রবনিনা লৈঙাক্লা থবক তৌরকপসু য়াই হায়না খল্লি। ইচমনা পাম্বদি লম্বী অসি শেম্বা লোইশিনবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# গান্ধী জয়েন্তিগা মরী লৈননা যোগ দেমোনষ্ট্রেসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচএনএস):

সেন্ট্রেল কাউন্সীল ফোর রিছার্চ ইন যোগ এন্দ নেচরোপেথি, ন্যু দিল্লিগী মখাদা ওর্গনাইজেসন ফোর সোসল হেল্ঠ সার্ভিস, কোংপালনা শীন্দুনা নেসনল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম ওফ যোগ এন্দ দাইবেটিস হায়বা থীমদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মফমশিংদা নোংমগী ওইবা গান্ধী জয়েন্তিগা মরী লৈনবা থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

ওর্গনাইজেসন ফোর সোসল হেল্ঠ সার্ভিস, কোংপালগী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থৌরম অদুদা যোগ অমদি দাইবেটিসকী লমদা খঙ-হৈরবা ডা. কে এস ঐচ কালা, ডা. কে বসন্তা অমসুং ডা. এম রাজকুমার অমদি ডা. এম অশারানিনচিংবনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি। দাইবেটিসনা নারবা অমদি নাদ্রিবা মীওইশিংদা যোগগী করম করম্বা মশান্নশিং হায়বদি আসন, প্রনয়া, মেদিটেসন অমদি ক্রিয়ানচিংবা পাঙথোল্লগা লায়না অসিবু মপুং ফানা কোকহনবা ঙমগদগে হায়বনচিংবা দেমোনষ্ট্রেসন অমদি প্রেক্টিকেল কয়া উৎতুনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংদা মমুৎ তানা তাকপী তম্বীখি হায়রি।

অমরোমদা, গান্ধী জয়েন্তি থৌরমগা মরী লৈননা সেন্ট্রেল কাউন্সীল ফোর রিছার্স ইন যোগ এন্দ নেচরোপেথি, ন্যু দিল্লিগী মখাদা দিভলপমেন্ট ফোর রুরেল ওর্গনাইজিং সেন্টর, কোংপালনা শীল-লাংদুনা নোংমগী ওইবা নেসনল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম ওন যোগ এন্দ দাইবেটিস হায়বা হীরম অসিদা ঙরাং তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা থম্বালমরিক নেচর কিয়োর এন্দ যোগ হোস্পিটাল, কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়, ইম্ফাল ইষ্টকী চীফ মেদিকেল ওফিসর ডা. এল ইবোতোম্বা অমদি যোগ ইন ষ্ট্রক্টর অশালাতানা দাইবেটিসনা নারবা অমদি নাদ্রিবা মীওইশিংদা করম করম্বা যোগগী মশান্নশিং অসি শান্নরগা দাইবেটিস হায়বা লায়না অসিদগী মপুং ফানা ঙাকথোক্তুনা হকচাং নাদ-য়েক্তনা অমদি পূক্লিং-হকচাং ঈং-তপ্পা লৈগদগে হায়বা দেমোনষ্ট্রেসন কয়া পাঙথোকখি।

তমেংলোংগী মফম কয়াদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মফম অদুগী মীওই চা কয়ানা শরুক য়াখি।

# মীয়ামগা, পুৱারী, নাৎকা থাদোক্লবা য়াদে : রাইসিং

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচ এন এস):

মীয়ামগা পুৱারী অমদি নাৎকা থাদোক্লবা য়াদে হায়না কিলো কিলোন্সর আর ঐচ রাইসিংনা ঙসি দিফুপার ভিলেজ কাউন্সীল হোলদা সিবিল সোসাইটিশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা ইন্টরেক্টিব মীটিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টরেক্টিব মীটিং অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা কিলো কিলোন্সর আর ঐচ রাইসিংনা হায়খি, মীয়ামগা নাৎ, পোলিটিক্স, লম অমদি তাইবং শেম্বা মপুগা থাদোক্লবা য়াদে। সোভরেন ষ্টেট অমা শেমগৎনবগীদমক ট্রাইব ফুরুপশিং, মীয়াম মথৌ তাই। লম, চীং-পাৎ, তুরেল, উমং পুম্নমক মথৌ তাই। একাদেমীক ইনষ্টিট্যুসনশিং, চর্চশিং অমদি ওর্গনাইজেসনসু মথৌ তাই।

এন এন সীগী মখাদা নেসন ষ্টেট অমগীদমক খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাকখি। এন এন সীগী মতুংদা নাগা মীয়াম্না এন এস সী এনগী বেন্নর মখাদা মখা তাবা ষ্ট্রগলশিং চঙশিন্দুনা লাক্লি। কুমজা ১৯৯৭ তা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমদি এন এস সী এন (আই-এম) গী মরক্তা সিজ ফায়র এগ্রিমেন্ট তৌনরকখি। কুমজা ২০১৫ গী ওগষ্ট ৩ দা পুৱারী ওইবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীনখি। এগ্রিমেন্ট অসি নাগাগী য়ুনিক ওইবা পুৱারীদা বেজ তৌবনি।

নাগাগী ওইবা মতম লাক্লে। নাগাশিংগী খোঙচৎতা কনানসু থিংবা ঙল্লোই। নাগাশিং খুম্মাং চাউশিন্না চৎনবগীদমক হ্যুমেন রিছোর্স শেমগৎপা তঙাইফদে। স্কুল, কোলেজ, য়ুনিভর্সিটি, রিলিজিয়স য়ুনিভর্সিটি, কলচরেল ইনষ্টিট্যুটশিং শেমগৎপা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

# ৱর্ল্ড অর্কিটেকচর দেগা মরী লৈননা লাইয়েকপা চাংদম্নখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচ এন এস):

ৱর্ল্ড আর্কিটেকচর দেগী থৌরম ঙসি লময়ানবা শঙলেন, কোনুং মমাঙদা মণিপুর আর্কিটেকচর ফোরমনা শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগা মরী লৈননা ক্লাস ফাইবতগী টেন ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোয়শিংগী ওইবা লাইয়েকপা চাংদম্নবসু পাঙথোকখ্রে।

দিজাইন এ বেট্টর ৱর্ল্ড হায়বা থিমদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা কন্সল্টেন্ট গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর ডো. আর কে নিমাইনা হায়খি, মীওইবনা হিংবদা মহৌশাগী খুৎশেম্মু শীংনবা য়াদে। করিগুম্বা শীংনরুরবদি মীওইবদা অৱাবা কয়া পীগনি হায়দুনা চাউখৎ থৌরাংগী ওইবা থবক পায়খৎপদা আর্কিটেক্টশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ। লমদমসিদদি মহৌশাগী খল কায়হন্দবদি লায়রদনা দেমোক্রেটিক রাইট ফাওবা মাঙহল্লিবনি। ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমত্তদা তৌনদবা চৎনবী কয়া ইম্ফাল অমদি মসিগী অকোয়বদা চৎনৈ। য়ুম শাবদা, ঈথৈ লৌখোং শেম্বদা ফাওবা অতোপ্পদা কায়দনবগী মওংদা শেমদে। ট্রাফিক রুল নীংথিনা চৎনদে। খুন্নাইসিগী মীওই কয়া চাউখৎপদি মাল্লগা হ্যুমেন সিবিক সেন্স ৱাৎপগুম তৌই। মসিনা মরম ওইরগা মহৌশাগী খল কায়রক্তুনা অঙৈং-অশা অমদি নোংজুগী ফীভম কায়থরক্লিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা মণিপুর আর্কিটেক্ট ফোরমগী জেনরেল সেক্রেটরি ইমো হাওবমনা হায়খি, মণিপুর য়ুহা হাগনবা সিস্মিক জোনগী মনুং চনবা মরম্না য়ুম অমদি বিল্ডিং কয়া শাবদা চেকশিনবা তঙাইফদে। বিল্ডিং শাবদা মথোল অনী নৎত্রগা অহুমদগী হেন্না শারোইদবনি। মীওইবনা লৈরিবা নুংঙাইগদবা অমদি মহৌশাদগী কায়রোইদবা য়ুম শাবগী মওংশিং পায়খৎপা তঙাইফদবা লৈ। ৱাফমশিং অসি ঙসিগী মহৈরোয়শিংদসু খঙহন্নবগী পান্দমদা লাইয়েকপা চাংদম্নবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা পি দল্লিয়ু দিগী রিটায়ার্দ সিনিয়র আর্কিটেক্ট এল মঙ্গী অমদি মণিপুর আর্কিটেক্ট ফোরমগী প্রসিদেন্ট বি কৃষ্ণকুমার শর্ম্মনা মথংশিংনা গেষ্ট ওফ ওনর অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুগী শরুক ওইনা পাঙথোকখিবা লাইয়েকপা চাংদম্নবদা ক্লাস ফাইবদগী টেন ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোয় ২৫০ রোম্না শরুক য়াখি।

# অকিবা য়াওদনা অপাম্বা মতিক চাবা মীদা ভোট পীনবগী কেম্প হৌরগনি : খাইদেম মনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচএনএস):

অকিবা য়াওদনা অপাম্বা মীরেপ খন্নবগীদমক অপাম্বা মতিক চাবা মীওইদা ভোট পীনবগী কেম্প হৌরগনি হায়না পিপলস কম্মিটি ফোর ফ্রি এন্দ ফিয়ার ইলেক্সন ইন মণিপুরগী কনভিনর সিনিয়র এদভোকেট খাইদেম মনিনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

উরিপোক্তা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়, চহীসিগী ওগষ্ট ২১ দা সিনিয়র সিটিজন সোসাইটি, মণিপুরনা শীন্দুনা কোনুং মমাঙদা লৈবা লৈবা লময়ানবা শঙলেন্দা মীয়ামগী মীফম অমা ফমখি। মীফম অদুনা কুমজা ২০১৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলগা মরী লৈননা পিপলস কম্মিটি ফোর ফ্রি এন্দ ফিয়ার ইলেক্সন ইন মণিপুর কৌবা কম্মিটি অমা শেমখ্রে। কম্মিটি অসি মপাঙ্গল কনখৎ-হন্নবগীদমক থা অসিগী ৭ কী অয়ুক পুং ১১ তাবদা মণিপুর প্রেস ক্লবতা মীফম অমসু পাঙথোক্লগনি।

মীফম অসিদা লমদম অসিগী ক্লবকী মীওইশিং, মৈরা পায়বী অমদি লন্নাই মীওইশিংনা খন্ন-নৈনবা য়াওবা য়াগনি। মীয়াম্না অকিবা য়াওদনা মশা মশানা পাম্বা মীরেপ খঞ্জনবগী মতাংদা খন্নবা মতম ওইরে।

ভোটর লিশিং ৩০ লৈবা মফমদা মীরেপ ৬ নৎত্রগা ৭ না লম্বা থেংনরগদি মীওইশিং অদুগী মরক্তা মশীং য়াম্না ফংবনা মায় পাকপগী মওং লৈনরি। অপূনবা মীশিংগী শরুক্তা মীয়াম্না য়াবা নৎত্রগা য়াদবা হায়বসি লৈনদ্রে। অসিগুম্বা ইলেক্সন অসিদি পার্টি য়াম্না লৈতবা অমেরিকা নৎত্রগা ইংলেন্দনচিংবদা চত্থবদদি হেন্না ফবা ওই। অসিগুম্বা ইলেক্সনগী মওং অসি মেজোরিটরিয়ন ইলেক্টোরেল সিষ্টেম হায়না খঙনৈ। পার্টি য়াম্বা, কেন্দিদেট য়াম্বদদি মী খুজোক খরনা মীখলদা খনবগী মওং ওইরি। পার্টি অমগী লুচিংবনা য়াবা মীয়াম্নদি য়াদবা মীওইদা ভোট পীবগী থবকশিং চত্থবগুম তৌরে। মীখলদা অফবা, অপাম্বা মীহুৎ খনবগী কেম্প্যেইন হৌরগনি। পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবশিংনসু মশক থোকপা মীওইদা টিকেট পীয়ু। ইলেক্সনগী কোদ ওফ কদক্ট মপুং ফানা চৎনহল্লু হায়নসু ফোঙদোকখি।

# ‘অথিংবা কোমথোকপীয়ু’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ : রিমস রোদতা লৈরিবা স্কাই হোস্পিটালদা লমদমসিগী লালহৌলূপ কে সী পি -এম জে সীনা অথিংবা থল্লিবা অসি মীওইবগী মীনুংশি য়েংবীরগা হন্দোকপীয়ু। প্রোগ্রেসিব য়ুথ ওর্গনাইজেসন (পি ৱাই ও), উরিপোক সোর্বোন থিঙেলগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা মখা তানা হায়, হোস্পিটাল অসিনা লৈরিবা মফম অসি মী কুংনা তাবা অমদি মীয়াম্না চখোক চৎশিন তৌনরিবা মফম ওইবতা নত্তনা হোস্পিটাল অসিদা হার্টকী অনাবা লৈবা মীওই কয়াসু লায়েংদুনা লৈরিবনি। মরম অদুনা মফম অসিদা অথিংবা থল্লিবা অসি কোমথোকপীয়ু। শোয়খি-লানখিবা লৈরম্লগসু ৱারী-ৱাতাই শানরগা চুমথোক্লবগী তাঞ্জা অমত্তং পীবীয়ু হায়রি।

## এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচ এন এস):

ৱাইল্ড লাইফ ৱীক সেলেব্রেসনগা মরী লৈননা নোদর্ন ফোরেষ্ট দিভিজন কাংপোকপীনা শীন্দুনা ঙসি কাঙ্গুই খৃষ্টান কোলেজ কাংপোকপীদা লম্লক্কী শা-উচেক কনবগী মতাংদা নোংমগী ওইবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর সী অর্থর হায়খি, লম্লক্কী শা-উচেক কনবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। ইনভাইরোনমেন্ট কনবগী ৱাফম অসি হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না তঙাইফদবা ওইরক্লি। ইনভাইরোনমেন্ট ফহনবদা লম্লক্কী শা-উচেকশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। লম্লক্কী শা-উচেক কনবা হায়বসি ইনভাইরোনমেন্টকীদমক য়াম্না মরু ওই। লম্লক্কী শা-উচেকশিংবু ঙাক শেনবা অমদি কনবগী থবক্তা ঐখোয় পুম্নমক্না অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস কে কবিবনা হায়খি, মহৌশাগী ওইবা ফীভম ঙাক শেন্দুনা থম্নবা ঐখোয় পুম্নমক্না হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে। ইনভাইরোনমেন্ট ঙাক শেন্দ্রবদি হিংবদা ৱাগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা উমংগী শা-উচেক কনবগা মরী লৈনবা ফিল্ম অমসু উৎখি। স্পোট পেন্টিং অমদি এসে রাইটিং কম্পিটিসনসু পাঙথোকখি। এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অদুদা মহৈরোয় ৩০০ হেনবনা শরুক য়াখি।

## ফোর্ম ফংগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ : দিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সতা তোঙান তোঙানবা পোষ্টশিং লৌনবগীদমক এপ্লিকেসন ফোর্মশিং লৌবা য়াগনি হায়না দিরেক্টোরেট অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। ফোর্ম থাবগী অরোইবা নুমিৎ ওক্টোবর ৫ ফাওবনি। এম এস আর টি সী কমপ্লেক্স, মোইরাংখোমদা লৈবা দিরেক্টোরেট অসিগী ওফিসতগী ফোর্ম ফংগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## জাবদেকর : কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতিক...

*লামায় ১গী মখা...*অসিদা তোঙান তোঙানবা ফিদবেক কয়া পীরক্লি। মখোয়গী মনুংদা ষ্টেট অসিদা চাকথোং গ্যাসকী সপ্লাইদা অৱাৎপা কয়া লৈদুনা ৱ্লেক্তা অথনবা গ্যাস সিলিন্দর অমগী মমল লুপা লীশিং ২ রোম পীদুনা লৈরম্বা অদু হৌজিক্তি কোক্লে। চাকথোং গ্যাস অসি হৌজিক্তি নোর্মেল ওইবা মমলদা ফংবদা নত্তনা সবসিদিসু মশা মশাগী একাউন্টদা ফংহল্লে। থৌওং অসি মণিপুরগী ওইনদি অহানবা ওইগনি খল্লি। মসিনা ষ্টেট অসিদা হৌজিক্তি গ্যাসকী অৱাৎপা লৈহল্লরোই।

অমরোমদা, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলক্লিবা ফূদ সিক্যুরিটি এক্ট অসিদসু অপেনবা ফোঙদোরক্লি। অদুমকপু হীরমসিগী মতাংদা কমপ্লেন কয়া অমসু লাক্লি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীদি ষ্টেটকী পীফম থোকপা চেঙশিং পীরি। অদুমকপু ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মণিপুরগী মীয়ামদা চেঙশিং অদু মপুং ফানা য়ৌহনবা তৌদে। মসিগীসু মথক্তা প্রাইম মিনিষ্টরগী মনকি বাট অসিবু লমদমসিগী মীয়াম্না নীংথিনা তাবীরি। অসামদা হন্দক্তা লৈঙাক্লোন্দা অহোংবা লাকখিবা অসিনা অসামগী মীয়াম হরাওনরি। মণিপুরদসু লৈঙাক্লোন্দা অহোংবা লাক্লবদি অসামদা হরাওরিবা অসিদগী শরুক অনী হেন্না হরাওগনি খল্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা তৌগনি হায়দুনা লাউথোকখিবা ৱাফমশিং শুংশোয় শোয়দনা তৌগনি। ইম্ফাল-জীরি, নেসনল হায়ৱে-৩৭কী লম্বী অসি শেম্নবা টেন্দর তৌগদবগী ঙাইদুনা লৈরিবনি। অদুবু ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লম্বী অসি শেম্বগী মতাংদা তেংবাঙ পীদে। সেন্টরগী মায়কৈদগী জীরিদগী ইম্ফাল য়ৌগদবা রেল লম্বী শেম্বগী থবকশিং খুমাঙ চাউশিন্না চৎলি।

স্পোর্টস য়ুনিভসিটিগী মতাংদসু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা তৌবা য়াবা থৌরাং তৌবা লোইরে। অদুমকপু য়ুনিভর্সিটি অসি লিংবা ঙমদ্রিবসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লম পীবা ঙমদবদগীনি। মসিদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী অশোয়বনি। হীরমশিং অসিগী মতাংদা মতিক চাবা ৱাফমশিং অথুবদা সেন্টরগী মায়কৈদগী ফোঙদোক্লগনি।

টেররিজমগী থৌওংশিং ইন্দিয়ানা কৈদৌনুংদা খাংলগা য়েংদুনা লৈরোই হায়বগী অকনবা পাউজেল অমা হৌখিবা চয়োলদা ইন্দিয়ন আর্মিনা এল ও সী লানশিল্লগা চত্থখিবা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক অদুনা পাকিষ্টান অমদি টেরর ওর্গনাইজেসনশিংদা পীরবনি। মসিগীসু মথক্তা চত্থরিবা থৌওং অদু ৱার্নিং অমসুনি। ইন্দিয়ানা চত্থখিবা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক অদুদা লৈবাক অমত্তনা য়েৎলকপা লৈতে। সপ্পোর্ট তৌরকপদনি। মসিমক চহী অনীমখায় রোমতা ঙাইরিবা নরেন্দ্র মোদিনা লূচিংবা লৈঙাক অসিনা চত্থবা ফোরেন পোলিসিগী অচৌবা মায় পাকপা অমনি হায়নসু মহাক্না মখা তারি।

## অমুকোগী নৌনা থৌ পুগদবশিং...

*লামায় ১গী মখা...* কয়া অসি পুন্না থবক তৌমিন্নরগা অফবা শক্তম অমা শাগৎনবা হোৎনবদা থম্মোয় শেংনা মতেং পাংবীনবা ইরমদম অসিদা লৈরিবা অখঙ-অহৈশিং কয়াদগী পাউতাক লৌনবা মরক মরক্তা ৱার্কশোপকুম্বা তৌদুনা পুন্না খন্ন-নৈনমিন্ননবা হোৎনসি। অমুকোগী কুমজা ২০১৬-১৯ গী এদভাইজরশিংনা এন সী খুমন, য়াংসোসো কোইরেং, কে টি রহমন, ডা. ৱাই মনি খুমন অমসুং এন শ্যামসুন্দরনি। ৱাশক লৌখিবা ওফিস বিয়ররশিংগী মনুংদা প্রসিদেন্ট ওইনা পি ঐচ দেবান শর্ম্মা, সেক্রেটরি জেনরেল ওইনা এস সঞ্জোয় অমসুং ফাইনান্স সেক্রেটরি ৱাই রনবির য়াওরি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা নৌনা প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌখ্রবা পি ঐচ দেবাননা হায়খি, অমুকোনা মপাঙ্গল কল্লবা মতমদা মণিপুরদা কাঙলুপকী ওইবা ৱাখল্লোন লৈরিবা অসি থাদোকহনবা ঙমগনি। মরমদি অমুকোনা মৈতৈ খক্তগী, নাগা খক্তগী অমসুং কুকি খক্তগী ৱাখল খন্দে। লমদম অসিদা লৈরিবা কাঙলুপ খুদিংমক অমত্তনি হায়বা ৱাখল্লোন্দা থবক তৌরকপদা মীয়াম্না কোওপরেসন পীরক্তবনরা নৎত্রগা শেল-থুমগী অৱাবা লৈবনরা অমুকোনা থবক থৌরম কয়া পাঙথোরকপদা শোত্থরকপা তাঙ্কক খরা লৈখিবরা হায়না খল্লি।

অমুকো মপাঙ্গল শোত্থরক্তনবা মীয়ামগী কোওপরেসন চঙই। মীয়াম্নসু অমুকোদা কোওপরেসন পীবীয়ু। মীয়ামগীদমক মণিপুরদা থেংনরিবা থৌদোক ৱাথোক কয়া অসি মীয়ামগী মহুৎ শিঞ্জরগা অমুকোনা থেংনজগে। মণিপুরদা খুন্দারিবা য়েলহৌ কাঙলুপ ৩৬ মুক অসি তোঙান তোঙান্না উনরগা নুংঙাইতবা থৌদোকশিং থোক্লকপা য়াওরিবসি করম্বা লম্বীদা চৎলগা ঐখোয় অমত্তা ওইনা নুংশি-চান্নদা অমগা অমগা পুন্না হিংমিন্নগদগে হায়বা ৱাফম অসিগা লোয়ননা শেল-থুমগী, খুন্নাইগী অমসুং পোলিটিকেলগী ওইবা লম্বীশিংদা পুন্না থেংনমিন্নবা চঙই।

এন এস সী এন (আই-এম) অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী পিছ টোক্কী ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী মনুংদা করি য়াওরি, করি ওইরক্কদগে হায়না মীয়াম্না খঙনিংনা খৌরাংনা য়েংনরিবসিগী মতাংদা অমুকোনা হায়নিংবদি এন এস সী এন (আই-এম)গী পিছ টোক অথুবা মতমদা লোইশিল্লু হায়নিংই। মণিপুরদা নাগাশিংগী সোলুসন হায়বা ৱাফম অসি লৈবা য়ারোই। নাগাগী ৱাথোক অসি লোইশিনগে হায়বা তারগদি লমদম অসিদা লৈরিবা কাঙলুপ কয়াগী সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগা পুন্না ফম্মিন্নরগা ৱারোইশিন পুরক্কদবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী একাদেমিক...

*লামায় ১গী মখা...*কাউন্সীল মীফম পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌখিবনি। অদুমকপু, মীফম অদু হৌদ্রিঙৈদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু) অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ট্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুটসু)না মায়কৈ অনীদগী মখোয়গী দিমান্দ মীফমসিনা পীদবা য়ারোই হায়বা খোল্লাউ কয়া লাউশিনখি।

মহৈরোয়শিং অদুনা এ-ব্লোক তাবা লম্বী থিংজিন্দুনা ওজা, ষ্টাফ অমদি মহৈরোয় চৎহন্দনা প্রোটেষ্ট তৌখি। ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবদগী নুমিদাং পুং ৭ ফাওবা মহৈরোয়শিংনা মখোয়গী দিমান্দ পীগদবনি হায়না লাউ খোঙবা তৌবনা মরম ওইরদুনা কাউন্সীলগী মীফমদু মপুং ফানা ফম্বা ঙমখিদে। ঙসিগী মীফম অদু মপুং ফানা ফম্বা ঙমদবনা থা অসিগী ৮দা অমুক নৌনা ফম্নবা ৱারেপ লৌখিবনি হায়রি।

মুসুগী প্রসিদেন্ট চিংশুবম মংলেম-তোননা হায়খি, য়ু জি সী নোমগী মতুং ইন্না সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি অসিদা মহৈরোয়শিংগী রিজর্ভেসন পোলিসিদা চয়েৎনবা লৈরিবসি অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা ঙসিগী মীফম অসিনা ৱারেপ লৌগদবনি। হৌখিবা সেপ্টেম্বর থাদগী সেসন হৌগদবা মহৈরোয় কয়াগী এন্ট্রান্স টেষ্টকী ফল হায়দোক্তবনা মহৈরোয় কয়াগী পূন্সি মাঙহনগদৌরে। য়ুনিভর্সিটি অসিগী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা তৌফম থোকপা মথৌ তৌদবদগী মখল কয়াগী ঈরাং থোরকপনি অমসুং চপ চাবা ৱারেপ লৌদ্রিফাওবা খোঙজং চঙশিনগনি।

অমরোমদা, মুটসুগী মায়কৈদগী মখোয়না খোঙজং চঙশিনবগী মতাংদা প্রসিদেন্ট থাংতিনলেন হাওকিপনা হায়খি, ট্রাইবেলশিংগী পীফম থোকপা রিজার্ভেসন চাদা ৩১ পীদবসি মহৈরোয়শিংগী হক মৎপনি। রিজার্ভেসন অসি পীদ্রিফাওবা খোঙজং চঙশিনখিগনি।

## ‘প্রেস ষ্টিকর পাউমীশিংগী গাড়ীদা থেৎকদবনি’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচএনএস):

অমজুগী অশেংবা মেম্বর ওইরিবা পাউমীশিংনা অমজুগী লোগো অমদি কোদ নম্বর য়াওবা প্রেস হায়না থাবা অঙাঙবা মচুগী ষ্টিকর অসি পাউমীশিংগী গাড়ীদা নপ্পুনা অশেংবা পাউমীনি হায়বদু খঙনবা শীজিন্নবীয়ু হায়রি।

অমজুগী পব্লিসিটি সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, পাউমী নত্তবা মীওই খরনা শীজিন্নরিবা কাংখোঙ অনী অমসুং মরি পানবা গাড়ী কয়াদা প্রেস হায়বা থাবা ষ্টিকর শীজিন্নদুনা পাউমী শাদুনা কোয়চৎ চৎপা অমজুনা থেংনরে। অসিগুম্বা থৌওং অসি অমজু অমদি মণিপুর পুলিসকা খুৎশম্নদুনা প্রেস হায়না থাবা গাড়ীশিং শীজিন্নরিবা মীওইশিং মশক খঙদোকপগী দ্রাইব হৌরগনি হায়রি।

প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়া হাউসশিংনা শীজিন্নরিবা গাড়ীদা পাউ-চে অদুগী মমিং শেংনা ইরগা শীজিন্নবীয়ু হায়না মখা তারি।

**‘হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্সনা মীয়ামদা খঙহঞ্জবা’**


মণিপুরগী চীং অমসুং তমদা লৈরিবা Clubs, Organisations, Meira Paibi লুপশিং, NGO শিং, CSO শিং, Political Party শিং, Government Department শিংগী থৌবাংলোয়শিংনা Programme গী Invitation (চেপাউ) মতম চানা হুইয়েন লানপাউগী ওফিসতা য়ৌহনবীরকউ নৎত্রগা ঐখোয়গী ***e-mail:hueiyen_lanpao @rediffmail.com*** দা থাবীরকউ। প্রোগ্রাম খুদিংমক শোয়দনা কবরেজ (Coverage) তৌনবা হোৎনজগনি। লোয়ননা করিগুম্বা অথুবা থৌদোক-ৱাথোক্কী ওইনা ঐখোয়গী কন্টেক নম্বর (0385) 2440771/2445106 তা পাউ পীবীরক্লবসু নোল্লক্পা খঙহঞ্জরি।

*মেনেজর*

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : থিংবাইজম মনিরোতোন সিংহ, জ্যোতিষ শাস্ত্রী, নাগামপাল পাওনম লৈকায়, ইম্ফাল।


তাং ০৪-১০-২০১৬, লৈবাকপোকপা, মেরাগী ৩ নি পানবা নুংথিলগী পুং ১২.৩৪ দগী ৪ নি পানবা, যোগিনি মায়কৈদি মৈরম, নুংথিলগী পুং ১২.৩৪ দগী সন্থোং




**মেষ** ঃ মথক থোংবা মীওইদগী কান্নজগনি, ইমুংগী চারংনবা লৈ, পূক্লিং ফাথবীয়ু।
লাল্লোল ঃ চাউখৎকনি, য়েক্লবা য়ামগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল লৈতাফম খঙলোই।
হকচাং ঃ মীৎ মৈগী শাহুম লৈ।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।




**বৃষ** ঃ মীনা চানবীবা লৈগনি, ইমুংগী ইচা ইনাওগী মরমদা লাংতক্লগনি, থবক্তা কান্নজবা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ চাউখৎপা পীগনি, হীদাক্কী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ অনৌবা ৱাখল পোকহনগনি।
হকচাং ঃ ঈশিং মরী নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চা চন্দন।




**মিথুন** ঃ মরী মতানা চানবীগনি, ইচা ইনাওগী মরীদা ঈকায়বা নংবা, তৌজরুবা থবক্তা মওং চুম্বা লাক্কনি।
লাল্লোল ঃ চাউখৎপা, খুৎশু খুৎলাইগী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ চান্নবা হেনগনি, থাজনগনি।
হকচাং ঃ ঈশিং মরীদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙৌবা।




**কর্কট** ঃ শাউনিংবা, নীংবা থুংবা ৱাৎপা, মীগা মুক্লবা, চরাংনবা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ ঈশিংগী পোৎলম, অরংবা পোৎচৈগী কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ঈকায় নুংশি য়ান্নগনি।
হকচাং ঃ উনসা, খ্বাঙ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, চিনি অঙৌবা।




**সিংহ** ঃ তৌরুবা থবক্তা খুরৌ থাংবা লৈগনি, ৱাখল লাংতক্লবা, অনৌবা পাউ তাবা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ ঈশিং, ফিগী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল লাংগনি।
হকচাং ঃ শরূদা নুংঙাইতবা লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ হিগোক, থোইদিং অমুবা।



**কন্যা**ঃ মথক থোংবগী কান্নজবা লৈগনি, মীগা মুক্লবা, পোৎচৈ লেপ্পা ঙমজগনি।
লাল্লোল ঃ সনা, ফিরোলগী থবক চাউখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ খনবনা অমা তৌবনা অমা লৈগনি।
হকচাং ঃ খ্বাঙ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ অঙাঙবা, চিনি অঙাঙবা।




**তুলা**ঃ পাউ নুংঙাইবা লৈগনি, মীনা শনমান তৌবীবা নুংশিবীবা ওইগনি অদুবু শেল চৎনবা মরম লাক্কনি।
লাল্লোল ঃ হীদাক লাংথক, শেলগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ নুংঙাইবা পাউ লৈগনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, থোইদিং অমুবা।



**বৃশ্চিক** ঃ পূক্লিং লাংবা, মীৱা মৈশা লৈবা, ইমুংদা অনা অয়েক পীরকপা, খুরৌ থাংবা লৈগনি পূক্লিং ফাথবীয়ু।
লাল্লোল ঃ হীদাক লাংথক্কী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ চান্ন-চিন্নগনি, ৱাখল মান্নগনি।
হকচাং ঃ মীৎতা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙাঙবা, চিনি অঙাঙবা।



**ধনু** ঃ করিসু নত্তবদা শাউনিংবা, অকাউবনা পোৎমাঙ চৈমাঙ পীবা লাক্কনি, পূক্লিং তপথবা ফৈ।
লাল্লোল ঃ হীদাক, অচা অথক্কী পোৎলম কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ মীনা পাউথোকপীবা লৈগনি।
হকচাং ঃ উনসা, ঈশিং মরী নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, ঘী।



**মকর** ঃ ঈকায়বা নংবা, খঙহৌদনা ৱাখল ওল্লকপা লৈগনি, শেল চৎপা লৈ।
লাল্লোল ঃ ঈশিংগা মরী লৈনবা থবক্তা কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ শাউনবা লৈগনি, তপথবা ফৈ।
হকচাং ঃ পুক্তা নুংঙাইতবা লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, চা চন্দন।



**কুম্ভ** ঃ শাউহনবা, ৱাখল নুংনাংবা, তৌরুবা থবক্তা কান্নজগনি, তীন্নবগা মুক্লবা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ সনা লুপা, ফিরোলগী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল মান্নগনি।
হকচাং ঃ পূক, খ্বাঙ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থাউ অহিংবা, লৈ হিগোক।



**মিন** ঃ থবক তৌবদা নিংজিং মাঙজিংনবা, কান্নজবদি লৈগনি, জীবা পানবা চঙবা, ফংজবা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ লাকপগা চৎপনা হেনগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল লাংগনি, মওল মওল খনবা, নুংনাংবা লৈ।
হকচাং ঃ কোক্তা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অঙৌবা, লৈ হিগোক।

কোকচনবা পোৎলমশিং ইশানা নীংবা ঈশ্বরদা কৎপীয়ু।
যোগিনী মায়কৈদা অমসুং য়েৎওইনবা মায়কৈদা যাত্রা তৌবা ফত্তে।